# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, DECEMBER 19, 2013, PAGES 7



*পাকিস্টানগী শান্নরোই শরজিল খান অমদি মহম্মদ হাফিজনা পাকিস্টান টিমগী স্কোর হেনগৎনবা মেটচ মনুংদা খন্নখিবা।*

*মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরবা মতুংদা টিম অসিনা টেষ্ট মেটচ ৪৯ শান্নখিবগী মনুংদা ২৬ মায় পাকখি, ১১ দ্রো ওইখি অদুগা মেটচ ১২ না মায়থীবা নংখি।*



## ইন্দিয়াগী স্কিপর ওইরম্বা কপিল দেবতা কে সি নয়ুদু লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ পীরবা য়াই

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ১৮ ঃ*

ইন্দিয়াগী মতম অমগী স্কিপর ওইরম্বা কপিল দেবতা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না কে সি নয়ুদু লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ পীগদবা শান্নরোইশিংগী নোমিনেটতা খনগৎলে হায়রি।

বি সি সি আইগী বোর্দস ওফ এৱার্দ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এন শ্রীনিবাসন সেক্রেটরি সঞ্জয় পটেল অমদি সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অয়াজ মেমোন য়াওনা ঙসি নোমিনেট তৌরকপশিং অদুগী মনুংদগী মখোয়না অমত্তা ওইনা য়ানবগা লোয়ননা কপিল দেবতা নিখানজতা এৱার্দ অসি পীরগনি হায়না বি সি সি আইনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

কপিলদেব অসি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা স্কিপর ওইবগা লোয়ননা মহাক্না ইন্দিয়াগী প্লেয়র অমা ওইনা ইন্দিয়ান টিম স্কাউদতা য়াওরম্বা মতম অদুদা টেষ্ট মেটচশিংদা ৱিকেট ৪০০ লৌবগা লোয়ননা রন লীশিং ৫ লৌবা ঙমখিবা শান্নরোইনি।

মহাক্না ইং ১৯৭৮ দগী শান্নবা হৌরক্লগা ১৯৯৪ দা শান্নবা লোইশিনখি। মতম অদুগী মনুংদা মহাক্না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অসি ১৩১ নি। টেষ্ট মেটচ ১৩১ অদুগী মনুংদা মহাক্না ৱিকেট ৪৩৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা সেঙ্কচুরি নিপাল য়াওনা রন ৫২৪৮ লৌখিবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না শান্নরিঙৈ মতম অদুদা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ২২৫ শান্নবগা লোয়ননা ৱান দে মেটচশিংদা মহাক্না লৌখিবা ৱিকেট অসি ২৫৩ অদুগা রন্না ৩৭৮৩ নি।

মহাক্কী ওইবা নীংশিংঙাই ওইবা অমা হায়রগদি ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী লুচিংবা অমা ওইবগা লোয়ননা ইং ১৯৮৩ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙমখি। মতম অদুদা মহাক্না ইন্দিয়ান টিমগী কেপ্টেন অমা ওইনা থৌ পুখি। কপিলনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইনা শান্নখিবা মতম অদুদা মহাক অসি ওল রাউন্দর ওইনা শান্নখি। লোয়ননা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপতা মায় পাকপা অসিসু মহাক্না কেপ্টেন ওইবা মতমদনি।

মহাক্না লুচিংদুনা শান্নখিবা মেটচশিংগী মনুংদা জিম্বাওৱেবু রন ১৭৫ দা মায়থীবা পীবা অসি শিংথানিঙাই ওইবা অমনি। য়াম্না তঙাইফদবা চিরবা তাঞ্জাদা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি ইন্দিয়া শান্নখিবা মেটচশিংদা মহাক্না ৱেষ্ট ইন্দিজকি ভিভেন রিচার্ট অমদি ক্লেব লোইদপুসু কেষ্ট তৌদুনা আউট ওইহনখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈবা শান্নরোই অমনি।

মহাক্কী অতোপ্পা এচিবমেন্ট অমা হায়রগদি মহাক্না কেপ্টেন ওইরিঙৈ মতমদা টেষ্ট সেরিজ অমা ইং ১৯৮৬ তা ইংলেণ্ডগা শান্নখিবা অদুণ্ডা ইন্দিয়ানা মেটচ ৫ শান্নগদবা অদুদা শুপ্নগী মেটচ অনী মায় পাক্কুনা ইন্দিয়ানা ইংলেণ্ডবু মায়থীবা পীখিবা অসিনি। মরমদি টেষ্ট মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা লৌখিবা রনশিং অদু অনীশুবা টেষ্ট মেটচতসু ইংলেণ্ডনা য়ৌবা ঙমখিদে। লোয়ননা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবগী দরকার লৈতবদগী ইন্দিয়ানা ইং ১৯৮৬ কি টেষ্ট মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখিবনি।

কপিলনা শান্নরিঙৈ মতমদা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনখি। অদুমওইনমক শক ১৯৮০–৮১ দা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা মেলবোন্দা শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্না রন ২৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিম্বু মায় পাকপা পুরকখি। মসিগী মখা তাবা ওইনা চেনাইদা টিম অসিমক্কা শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্না রন ১১৯ লৌদুনা ইন্দিয়াবু অহুমলকশুবা ওইনা টেষ্ট মেটচ সেরিজদা মায় পাকপগা লোয়ননা টিম অসিবু আই সি সিগী রেঙ্কিংদা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকি টাইটল অদু ফংহনবা ঙমখি।

ইং ১৯৯০ দা ইংলেণ্ডগী মায়োক্তা লোর্দসতা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা রন ২৪ লৌরগা কাগদবা মেটচ অদুসু মহাক্না বাউন্দরি মরি থংনা থংননা লৌবগা লোয়ননা ওবর বাউন্দরি লৌদুনা মায় পাকপা পুরকখিবা ইন্দিয়াগী মতম অমগী অফবা ক্রিকেট শান্নরোই অমনি। মহাক অসি ইং ১৯৯৯ দগী ২০০০ ফাওবা ইন্দিয়ান টিমগী কোচ ওইরম্বগ লোয়ননা নেসনেল ক্রিকেট একাদমিগী চিয়ামেন ওইনা ইং ২০০৬ অমদি ২০০৭ ফাওবা থৌ পুরম্মী।

মহাক্না লুপা লাক্ষ ২৫ গা লোয়নবা কে সি নয়ুদু এৱার্দ অসি ফংবদা বি সি সি আইনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বি সি সি আইগী এৱার্দ সেরোমোনি অদু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়না বোর্দ অসিগী মচিন চনবা অসিনা ফোঙদোকখি।

কপিলনা ফংগদৌরিবা কে সি এন এৱার্দ অসি হান্ননা ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী মীওইশিং অদুদি, লালা অমরনাথ, সহিদ মুষ্টাক অলি, কেপ্টেন বিজয় হজারি, কে এন প্রভু, পোল্লি আর উমিগার, কর্নেল হেমচন্দ্র অধিকারি, সুভাস কুপটে, মন্সুর অলি ফান পটাউদি, ভৌসাহেব নিম্বালকর, চন্দ্রকান্তা বোরা, বি এস বি বেদি বি চন্দ্রসেখর ই এ এস প্রসাননা, এস ভেনকটারমন, নিরমন কন্ট্রেক্টর, গুন্দাপা বিশ্বনাথ, মহেন্দ্র অমরনাথ, সলিম দুরানি, অজিৎ ৱাদেকর অমদি সুনিল গাবসকরনি।

অদুমওইনমক এৱার্দ অসি চহী অমদা মীওই মরিনা পুন্না ফংখিবা অসি শক ২০০৪ দনি। এৱার্দ অসিবু ফংবা য়াবা মীওইশিংদা বি সি সি আইনা অহানবা ওইনা পীবা হৌখিবসি ইং ১৯৯৪ দগীনি।

## বোরিস বেকরনা নোবাক জিনকোবিককী হেদ কোচ ওইরগনি

*ইস্লোভেনিয়া, দিসেম্বর ১৮ ঃ*

মতম অমদা জর্ম্মনগীদমক্তা টেনিস হায়বা মশান্না অসিদা মিংচৎ কয়া পুরকখিবা লোয়ননা মশাগী চহী য়ামশিল্লকপদগী টেনিস মশান্নদগী পোথাখ্রবা জর্ম্মনিগী অফাওবা শান্নরোই ওইরম্বা বোরিস বেকরনা হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ডগী সেকেণ্ড সিটতা লৈরিবা নোবাক জিনকোবিককী হেদ কোচ ওইরগনি।

মতম শাংনা নোবাক জিনকোবিককী কোচ ওইরম্বা লমদম অসিগী মিহুৎ মারিননা ভাজদানা জিনকোবিককী কোচ ওইবদগী পোথারগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওইনদি টিমগী কোচ ওইনা লৈখিগনি হায়না মারিননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গ্রান্স স্লাম টাইটল তরুলক লৌখ্রবা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা জর্ম্মনিগী শান্নরোই বোরিস বেকরবু জিনকোবিককী হেদ কোচ ওইনা থল্লগনি হায়না জিনকোবিককী ৱেব সাইটতা থাদোকপা পাউ অমনা হায়রি।

জিনকোবিকনা মহাক্কী ৱেবসাইটতা থাদোকপা পাউ অদুদা হায়, মতম শাংনা ক্রিকেটকি লমদা মীথোইবা অমা ওইরকপগা লোয়ননা টেনিসকি নোলেজ অমদি এক্সপরিয়েন্স কয়া লৈরবা মীওই অসিনা মহাক্কী হেদ কোচ ওইবা মতমদা তুংদা লাক্কদবা গ্রান্সলাম টাইটল কয়া, অনৌবা ট্রোফি কয়া অমদি অতোপ্পা টুর্নামেন্ট কয়াদা কোচ অসিগী মতেংনা লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা মহাক মশাদা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

বেকর অসি মশক নাইবা মীওই অমনি। মহাক্না কোচ ওইরবা মতুংদা মহাক্কী টিম অসিনা এৱার্দ কয়া লৌরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। জিনকোবিকনা মহাক্কী মতম শাংনা কোচ ওইদুনা লাকখিবা লৈবাক অসিগী মিহুৎ মারিনগী মহুত্তা জর্ম্মনিগী মতম অমগী শকনাইরবা টেনিস প্লেয়র অসিবু মহুৎ শিঞ্জিনখিবনি।

মহাক্না টিম অসিগী কোচ ওইরবা মতুংদা হৌজিক লৈরিবা গ্রান্স স্লাম টুর্নামেন্ট মরি অসিদা মহাক্না লোয়ননা চৎমিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মাঙদা লৈরিবা মেজর ইভেন্ট অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্না লোয়ননা চৎমিন্নগনি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা জর্ম্মনি মচা টেনিসকি শিংথানিঙাই ওইরবা বোরিস বেকরনা খ্বাইদগী নহা ওইনা মশাগী চহী ১৭ শুবা মতমদা অমেরিকাগী অফাওবা শান্নরোই অমা ওইখিবা জোন মাইকেনরোলবু মায়থীবা পীদুনা ৱিমব্লিদনদা খ্বাইদগী য়ংগেষ্ট ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবা শান্নরোই অমনি অমদি মহাক্না এ টি পি টাইটল ৬৪ লৌবা ঙমখ্রে।

চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা মেটচ অমদা স্পেনগী রাফেট নাদানগী মখুত্তা মহাক্না মায়থীহৌবগা লোয়ননা টেনিসকি রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইনা লৈরম্বা অদু মাঙখি হায়না মশা মথন্তনা নুংনাংবা ফোঙদোকচখি। চহী অসিগী ওইনা মহাক মশানা শান্নখিবা মেটচশিংদা লণ্ডনদা পাঙথোকখিবা এ টি পি ৱার্ল্ড টুর অদুগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা লাক্কৌরিবা মথং চহীগী গ্রান্স স্লাম টাইটল তরুক অসি লৌনবা কন্না হোৎনগনি হায়না জিনকোবিকনা পনখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতম অমগী ৱার্ল্ডগী নম্বর ৱান ওইরম্বা বোরিস বেকর অমদি ইভান লেন্দননা কোচ ওইবা মতমদা এন্দি মুরেনা ৱিমব্লিদনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি হায়নসু ফোঙদোকখি।





## নেস্নেল সুটিং চেম্পিয়নসিপতা অনিসানা ২৫ মিটর পিষ্টোলদা মাঙজিল থারি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ১৮ ঃ*

ন্যু দিল্লীগী করনি সিংহ সুটিং রেঞ্জতা চৎখরিবা নেস্নেল সুটিং চেম্পিয়নসিপতা কম্মন ৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই অমসু ওইখিবী হরিয়ানা মচা অনিসা সাহিদনা নুপীগী স্পোর্টস পিষ্টোল মিটর ২৫ গী ইভেন্টতা মাঙজিল থারি।

অনিসানা হৌজিক ফাওবা চৎখিবা নেস্নেল সুটিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী ২৫ মিটর ৱুমেন্স স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ২৮৯ ফংদুনা মাঙজিল থারি। মহাক্কী মতুংদা হিমাচল প্রদেশকি সোনিয়া রাইনা পোইন্ট ২৮৭ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুমওইনমক ৱার্ল্ড কপকি গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী পঞ্জাবকি হেনা সিধুনা পোইন্ট ২৮৬ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

মহারাষ্ট্রগী শান্নরোই রাহি সরনোভাট অমদি হরিয়ানগী অনিতা দেবীনা পোইন্ট ২৮৬, ২৮৬ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসনগী মফম অসি হেনা, অনিতা অমদি রাহি মখোয় অহুম মুন্নরি। অদুমওইনমক কম্পিটিসন অসিদা পঞ্জবকি হেনা সিধুনা কম্পিটিসন অদুগী মনুংদা টেন এক্স য়াওরগা পোইন্ট ২৮৬ লৌখিদুনা মহাক্না অহুমশুবা পোজিসন অসি ফংবা য়াবগী খুদোংচাব লৈরি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকি কাঙলূপতনা মহারাষ্ট্রগী সেরিয়া গৱান্দেনা পোইন্ট ২৮৫ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা হরিয়ানাগী গৌরি সেরাননা পোইন্ট ২৮৩ লৌদুনা অনীশুবা পোজিসনদা অদুগা মধ্য প্রদেশকি চিনকি য়াদবনা পোইন্ট ২৮২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

অমরোমদা চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপাগী মিটর ১০ গী ইয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা হরিয়ানাগী প্রবিনকুমারনা পোইন্ট ৫৭৯ ফংদুনা মাঙজিল থানা চৎলি। মহাক্কী মতুংদা শুপ্নগী পোইন্ট অমা খক খেন্নরগা ইয়ারফোর্সকি শান্নরোই কপিলকুমারনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অহুমশুবা পোজিসন্দা আর্মিগী শান্নরোই অনী জিত্তু রাই অমদি নিরাজকুমারনা পোইন্ট ৫৭৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈমিন্নরি।

## পালমৈপুই কমাউপি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ঃ* শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লব ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চৎখরিবা অহানবা পালমৈপুই কমাউপি মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী মেটচশিংদা কাখুলোং, নমথানলোং অমদি সাইরেম মায় পাকখ্রে।

অহানবা মেটচতা কাখুলোংনা পাউনিংতৌরোংবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখি। কাখুলোংগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু অঙম্পুনা ৮ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা নমথানলোংনা জে য়ু সুপর ষ্টারবু গোল ৪–১ দা মায়থীবা পীখি। নমথানলোংগী গোলশিং অদু গাইসিঙম্না ৮ অমদি ৩৯ শুবা মিনিটতা গোল ২, থেঙাই অমদি কে অঙৌসনানা ৩৭ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। জে য়ু সুপর ষ্টারগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা গাইচুঙম্না ২২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা সাইরেম্না কৈখুবু গোল ৮–১ দা চাওনা মায়থীবা পীখি। সাইরেমগী গোলশিং অদু দিঙম্পুনা ২, ৫ অমদি ২৮ শুবা মিনিটতা অহুম, এম্বোনিনা ৩৯ অমদি ৪০ শুবা মিনিটতা অনি, রম্বো পৌপাংগাই অমদি মৈরিলুংবৌনা মথংশিংনা ৩২, ৩৪ অমসুং ৩৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

## জুনিয়র নেস্নেল ছেপাকতাক্রৌগী ট্রায়েল পাঙথোক্লগনি


*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ঃ* বিহারগী পটনাদা মথং চহীগী জনুৱারি ৩০ দগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা জুনিয়র নেস্নেল ছেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়েল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর ছেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ২৭ তগী ২৯ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা প্লেয়রশিংনা এসোসিয়েসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি টি রুহিকুমারদা থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা এসোসিয়েসনগী ওফিস্তা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ঃ* ওল মণিপুর ছেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসনগী মখাদা ইং ১৯৯৭ দগী ১৯৯৮ ফাওবা ষ্টেট রেফ্রি ওইনা অমদি ১৯৯৮ তগী ২০১৩ ফাওবা নেস্নেল রেফ্রি ওইনা নেস্নেলগী চেম্পিয়নসিপ কয়াদা শরুক য়ারমখিবা থৌবাল নোঙ্গাংখোংদা লৈবী রেফ্রি কুমারি রিনাবাই অকোইজমনা থা অসিগী ১৩ দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ছেপাকতাক্রৌ এসোসিয়েসনগী এজুগেটিব বোদিনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী ওফিস খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

## সাউথ আফ্রিকাদা মহমদ সামিনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা মহাক ইন্দিয়াগী অফবা বোল্লরনি



*কোলকাতা, দিসেম্বর ১৮ ঃ*

সাউথ আফ্রিকাগী জোনেসবকতা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা টেষ্ট মেটচ সেরি অনী অসিদা ইন্দিয়াগী নৌরিবা বোল্লর মহমদ সামিনা লৈবাক অসিগী অফবা বোল্লর অমা ওইরগনি হায়না ইন্দিয়াগী ফোমর স্কিপর সৌরব গাঙ্গুলিনা ঙসি মফম অসিদা ফোঙদোকখ্রে।

মহমদ সামি অসি নহা ওইরিবা য়ং পিকচর অমনি। মহাক্না জহির খানগী মতুংদা থোরকপা ইন্দিয়াগী পিছস বোল্লর অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক্না অফবা পিছ বোল্লর কয়া অমানা লৌখিবা থৌদাং উখ্রে। মখোয়শিংগী মনুংদা নীংশিংনিঙাই ওইবা য়াবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মহাক মশামক্না টিম অসিগী শান্নরোই ওইনা শান্নরিঙৈদা থেংনখিবা শান্নরোই অনীদি জহির খান অমদি শ্রীনাথনি। মখোয়না তৌখিবা অদুগুম্না নৌনা থোরক্লিবা বোল্লর অসিনসু লৈবাক অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না হান্নগী স্কিপর অসিনা মখা তাখি।

গাঙ্গুলিনা মখা তারদুনা হায়খিবদা সামির অসিনা বোল্লিংগী লাইন্দা অহানবা ওইনা চঙলকখিবা মতমদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা নৌরিবা পিছ বোল্লর অমা ওইবগা লোয়ননা জহির খাননা কন্না লঙখিবা স্পিট অদুদগী মহাক্না হেন্না লঙবা ঙম্বা শান্নরোই অমনি।

সামিগী ওইনা লেক সাইটতা লঙলকপা বোল্লিং অদুদি অঙকপনি। মহাক্না মমাঙদা লৈখিবা বোল্লরশিংদগী তোপ তোপ্পা খেন্নবা অমা উবা ফংই হায়না বেঙ্গলদগী হৌরকখিবা পিছর অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সামিনা অহানবা ওইনা কোলকাতাদা সচিনটেন্দুলকরগী ফিয়ারৱেলগা মরী লৈননা ৱেষ্ট ইন্দিজকা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ৱিকেট মাপল লৌবা ঙমখিবা নহা ওইরিবা পিছ বোল্লর অমনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজকা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচতসু মহাক্না মেটচ অহুমদা ৱিকেট মাপল লৌদুনা মহাক্কী অহানবা কেরিয়রদা ৱিকেট য়াম্না লৌখিবা ইন্দিয়াগী ও দি আই সেরিজকি ৱিকেট টেক্কর অমসু ওইখি হায়না গাঙ্গুলিনা ফোঙদোকখি।

CHEM

DISTANCE EDUCATION

(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)

*Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab*

**Recognized by UGC**

Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog./2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :

MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,

COMMERCE :

M.Com,B.Com

Affordable Fees Structure

MANAGEMENT :

MBA*,PGDBM,BBA*

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :

MLIS,BLIS,DLIS

ART (in English & Hindi Medium :

M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A

*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE

Prospectus and Application Forms are available at:

CHEM

CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT

CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162